# রসিয়ন ফোর্সশিংনা চথখিবা এটেক্তা মীওই ১৬ শিখ্রে
## ক্রিমিয়াগা মরী লৈনবা ফেসিলিটিশিং ঙাক শেন্নবা পুটিননা খঙহনখ্রে

কিভ, ওক্তোবর ৯ (এজেন্সী):
রসিয়ন ফোর্সশিংনা হৌখিবা অহিংদা য়ুক্রেনগী জাপোরিজিয়া সিটিদা চথখিবা এটেক্তা এপার্টমেন্ট বিল্ডিং কয়া মাঙ তাকখিবগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা মীওই ১৭ শিখ্রে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা য়ুক্রেনগী সিটি অসিগী টোপ ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।



সিটি কাউন্সিল সেক্রেটরি এনাটোলি কুপটেপনা হায়খি, মদুদি সিটি অদুদা অহিংগী মতমদা রোকেট কয়া কাপশিল্লকখি অমদি এটেক অদুদা য়ামদ্রবদা লন্নাই য়ুম মঙা পুমতুম তুম্না মাঙ তাকখি অমদি অতৈ য়ুম ৪০ রোমসু অকায় অতোই নঙখি। এটেক অদু য়ুক্রেনিয়ন মিলিটরিনসু কনফর্ম তৌখি অমসুং মদুদা মীওই কয়া মীশি মীনা থোকখি হায়না ফোঙদোকখি।

স্ট্রাইক অদু থাংজ নুমিত্তা থোকখিবা পোকখায়বগী থৌদোক অমদা ক্রিমিয়ন পেনিন্সুলাগা রসিয়াগা শম্নরিবা থোং অমগী শরুক খরা অকায় অতোই থোকখিবা মতুংদা চথরকখিবনি। পোকখায়বা অদুদা ক্রেমলিননা য়ুক্রেনগী খা থংবা শরুক কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা মরু ওইবা সপ্লাই রুট অমা ওইনা শীজিন্নরিবা লম্বী অমদি থোং অদু অমাঙ অতা থোকখিবনি। মদুনা লমদম অদুদা লৈরিবা রসিয়ন পৱারগী সিম্বোলদা শোকহল্লি হায়না লৌনরি।

হৌখিবা চয়োল কয়া অসিদা জাপোরিজিয়া সিটি অসি সেল এটেক কয়াগী টার্গেট ওইখি। মসি য়ুক্রেননা কন্ট্রোল তৌবা লমদম অদুগী শরুক্কি অমসুং হৌখিবা চয়োলদা এরিয়া অদুবু ইন্টরনেসনেল লো খোঙ্গাওনদুনা রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা লৌশিনখি।

হৌজিক রসিয়ানা কন্ট্রোল তৌশিনখ্রবা লমদম অদুগী শরুক অমদা য়ুরোপকী খ্বাইদগী চাওবা ওইরিবা জাপোরিজিয়া ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্ট লৈরিবনি। ন্যুক্লিয়র প্লান্ট অদু নাকল অনীগী লানদা হঞ্জিন হঞ্জিন্না অচৌবা খুদোংথীবা লাকহনগদবা মওংদা টার্গেট তৌবা লৈখ্রবনি। হঞ্জিন হঞ্জিন্না সেল এটেক চথবদগী প্লান্ট অদুগী অরোইবা এক্সটর্নেল পৱার ছোর্স ফাওবা মাঙ তাকখি হায়না য়ুএন ন্যুক্লিয়র ৱাটচদোক্লা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

হৌজিক প্লান্ট অদু ইমর্জেন্সি দিজল জেনরেটরশিংগী মীপান তাংদুনা লৈরিবনি। ক্রিমিয়াগী থোংদা চথখিবা এটেক অদু কনামত্তনা ক্লেম তৌবা লৈত্রবসু মদুনা রসিয়াদা অচৌবা শাফু অমা পী হায়না লৌনবগা লোয়ননা মদুনা কনফ্লিক্ট অদু হেন্না লুশিলহল্লকপা য়াই হায়না ওবজার্বরশিংনা ফোঙদোক্লরি।

রসিয়াগী লো মেক্কর খরনা প্রসিদেন্ট পুটিনদা স্পিপসিএল মিলিটরি ওপরেসন অদুগী মহুত্তা কাউন্টর টেরোরিজম এটেক অমা লাউথোক্লবা তকশিল্লিবনি।

ওইরক্লিবা ফিভম অদুদা প্রসিদেন্ট পুটিননা ক্রিমিয়াগা মরী লৈনবা ফেসিলিটিশিং ঙাক শেন্নবা অকনবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা ওর্দর তৌখ্রে। থাংজ নুমিৎকী অঙনবদা কিলোমিটর ১৯ শাংবা ক্রিমিয়াগী থোং অদুদা অচৌবা পোকখায়বগী থৌদোক অমা থোকখ্রবা মতুংদা থোং অদু শেমজিন্দুনা কার অমদি বসনচিংবা চেলহনবা হৌখ্রে।

থোং অদুগী রেলৱে সার্ভিস হান্নগুম্না মপুং ফানা হঞ্জিনহনখ্রে। ক্রিমিয়া অমসুং পেনিন্সুলা অসিগী মরু ওইবা গ্যাস পাইপ লাইন শম্ন হল্লিবা পৱার গ্রিদ কর্স ষ্ট্রেট ফাওরিবা ট্রান্সপোর্ট ঙাক শেন্নবগী অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপা য়ানবগী দিক্রি অমা রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা সাইন তৌখি।

ক্রেমলিননা থাংজ নুমিত্তা ফোঙখিবা দিক্রি অদুগী মতুং ইন্না প্রসিদেন্ট পুটিননা রসিয়ন ফেদরেল সেক্যুরিটি সার্ভিসতা ফেসিলিটিশিং অদুবু ইফেক্তিব ওইনা ঙাক শেন্নবগী থৌরাংশিং লাংনবা অমদি মদুবু কোওর্দিনেট তৌনবা খঙহনখি। থাংজ নুমিৎকী অঙনবদা লম্বীগী থোং অদুদা ট্রক অমা পোকখায়খিবগা লোয়ননা ক্রিমিয়া পেনিন্সুলা তম্না চেল্লিবা ট্রেন অমগী ফ্যুএল টেঙ্ক ৭ মৈ চাকহনখিবনি। ব্লাষ্ট অদুদা মীওই ৩ সু শিখি।

# অহানবা ওইনা হোং কোংদা সেক্যুরিটি লোগী মখাদা টিনেজর মঙা চহী ৩ গী ওইনা দিটেন তৌখ্রে

হোংকোং, ওক্তোবর ৯ (এজেন্সী):
হোংকোংগী টিনেজর মঙা খুৎলায় শীজিন্নবা রিভোলূসন অমা লাকহন্নবা মীয়ামদা তকশিনবগী মরাল শীখিবগা লোয়ননা মখোয় নেসনেল সেক্যুরিটি কেস অমগা মরী লৈননা চহী অহুম করেকস্নেল ফেসিলিটি অমদা থাজন্নবা ওর্দর তৌখ্রে।



ঙসি কোর্ট অমনা চহী ১৮ গী মখাদা লৈবা নহাশিংবু চৈরাক পীবদা নেসনেল সেক্যুরিটি লো শীজিন্নবা অহানবনি। লো অদু প্রো-দিমোক্রেসি প্রোটেষ্টরশিংবু প্রোজিক্যুট তৌনবগীদমক্তা কুমজা ২০২০ দা চৎনহনখিবনি।

ওফেন্স অদু চথখি হায়রিবা মতম অদুদা চহী ১৬ তগীনা ১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা টিনেজরশিং অদু প্রো-হোংকোং ইন্দিপেন্দেন্স গ্রুপ অমা ওইরিবা রিটর্নিং ভেলিয়েন্টকী মেম্বরশিংনি হায়না মেদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখি।

ষ্টেট পৱারগী মায়োক্তা ইরাং হৌনবা অতৈ মীওইশিংদা ইথিল পীনবা হোৎনখি হায়বসি মখোয়না য়াজখি হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখি।

চহী ২১ অমসুং ২৬ কী লেঙ্গাশিং ওইরিবা মীওই অনীসু মতুংগী নুমিৎ অমদা চৈরাক পীরগনি হায়রি।

কোর্টতা হৌনবী মতুং ইন্না মরাল শীরবা নহাশিং অদুনা সোসল মেদিয়া অমসুং ষ্ট্রিট বুথশিং শীজিন্নদুনা হোংকোংদা লৈরিবা চাইনিজ ষ্টেট চিংথুনবা মীশি মীনা য়াওবা রিভোলূসন অমা লাকহন্নবা মীয়ামদা আপিল তৌখি হায়না আর্গুমেন্ট তৌখি। প্রোজিক্যুটরশিংনা কোর্টতা গ্রুপ অদুগী পমপ্লেটশিংদা ফ্রেন্স অমসুং য়ুক্রেনিয়ন রিভোলূসনশিংবু মায় পাক্লবা খুৎলায় য়াওবা লালহৌশিংগী খুদম চাংদমশিং ওইনা পনখি হায়না খঙহনখি।

তৌইগুম্বসুং জজনা মখোয়গী এক্তিভিটি অদু অরুবা ক্রাইম অমনি হায়বা য়ারবসু মখোয়গী চহী অমসুং মেচ্যুওর ওইদবগী ফিভম অদু য়েংলগা মখোয়বু করেকস্নেল ফেসিলিটি অমদা ওইনা থাজিনবগী চৈরাক অসি পীরিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

জজ কোক ৱাই-কিননা হায়খি, মদুদি করিগুম্বা মীওইশিং অসিনা শুপ্নগী মীওই অমখক্তংদা ইথিল পীদুনা ষ্টেট পৱারগী মায়োক্তা থবক তৌহল্লবদি হোংকোংগী তং তাবা ফিভম অমদি সিটি অসিদা লৈরিবা মীওইশিংগী শক্তিদা চাওনা সেফতিগী ফিভমদা চাওনা শোকহল্লম্বা য়াই। তৌইগুম্বসুং দিফেন্দেন্টশিংনা ষ্টেট পৱারগী মায়োক্তা কনাগুম্বশিংবু ইরাং হৌহন্নবা ইথিল পীনবা হোৎনখি হায়বগী হকথেংননা প্রুভ তৌবা য়াবা ইভিদেন্স লৈতে। তৌইগুম্বসুং মখোয়গী থৌওংশিং অদুদা খুদোংথীবা থোক্লকপা য়াবগী রিস্কশিং লৈ হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ‘নোর্থ কোরিয়ানা সোর্ট-রেঞ্জ বেলিষ্টিক মিসাইল অনী ইষ্ট সীদা কাপশিনখ্রে’

সিওল, ওক্তোবর ৯ (এজেন্সী):
নোর্থ কোরিয়ানা নোংমাইজিং নুমিত্তা ইষ্ট সীগী মায়কৈদা সোর্ট-রেঞ্জ বেলেষ্টিক মিসাইল (এসআরবিএম) অনী কাপখ্রে হায়না সাউথ কোরিয়ন মিলিটরিনা ফোঙদোকখ্রে। মমাঙগী নুমিত্তা সিওল অমসুং ৱাশিংতন্না য়ুএস এয়রক্রাফট কেরিয়র অমা য়াওখিবা নেভেল এক্সর্সাইজ অমা লোইশিনখিবা মতুংদা খোঙথাং অসি লাকপনি।



জোইন্ট চীফ ওফ ষ্টাফ (জে সি এস) না হায়খি, মদুদি লোকেল মতমদা অয়ুক ১.৪৮ অমসুং ১.৫৮ কী মরক্তা গাংৱোন প্রোভিন্সকী মুনচোন এরিয়াদগী পাঙথোকখিবা লোঞ্চশিং অদু মখোয়না দিটেক তৌখি। মিসাইলশিং অদু খ্বাইদগী য়াঙবা মার্ক ৫ কী স্পিদতা কিমি ৯০ রোম ৱাংনা অমদি কিমি ৩৫০ রোম শান্না পাইখি হায়না য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি।

সিওলদা লৈরিবা ওবজার্বরশিংগী মতুং ইন্না দিষ্টেন্স অমসুং অল্টিট্যুট অদু য়েংলগা প্রোজেক্টাইলশিং অদু কেএন-২৫ হায়না খঙনবা মল্টিপল রোকেট লোঞ্চ সিষ্টেম অমদগী কাপখিবা সুপর-লর্স কেলিভর মিসাইলশিং শোয়দনা ওইগনি হায়না লৌনখি।

চয়োল অনীগী মনুংদা নোর্থ কোরিয়ানা লমদম অদুদা মিসাইল কাপ্তুনা কায়হৌবগী থৌওং চথবদা খ্বাইদগী নৌবা ওইরিবা লোঞ্চ অদু থাংজ নুমিত্তা য়ুএসএস রোনাল্ড রিগান করিয়র য়াওবা সাউথ কোরিয়া - য়ুএস এক্সর্সাইজ অমদি শগোলশেল নুমিত্তা জপানগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা মীচংশিংগী ওইবা ট্রাই লেটরেল দ্রিলশিং লোইশিনখিবা মতুংদা পাঙথোকখিবনি।

অমরোমদা, মিসাইল লোঞ্চ অদু নোর্থ কোরিয়াগী রুল্লিং ৱার্কর্স পার্টি হৌদোকখিবা চহী ৭৭ মপুং ফাবা নুমিৎকী নোংমা মাঙওইননা পাঙথোক্লিবনি। কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা নত্তনা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিগী মরা তপ্পা ফিভমদা চাওনা শোকহনগদবা খোঙথাং অমা ওইনা হন্দক্তা নোর্থ কোরিয়ানা পরিং নাইনা বেলেষ্টিক মিসাইলশিং কাপখিবনি হায়না জে সি এসনা রিপোর্টশিংদা থাবা টেক্স মেসেজ অমদা ফোঙদোকখি। মেসেজ অদুদা নোর্থকী কায়হৌবগী থৌওংশিংদা য়ুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোলূসনশিং ময়েক শেংনা খোঙ্গাওনৈ হায়নসু পনখি।

# টালিবাননা চহী ১৩ শুরবা নুপীমচাশিং স্কুলদগী তান্থোকখ্রে

কন্দহার, ওক্তোবর ৯ (এজেন্সী):
হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা টালিবাননা কন্দহার প্রোভিন্সতা লৈরিবা নুপীমচাশিংগী স্কুল য়েংশিনখিবগা লোয়ননা চহী ১৩ শুরবা নত্রগা প্যুবরটি চঙলক্লবী মহৈরোয় নুপী চা কয়া স্কুলদগী তান্থোকখ্রে হায়না মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

অসুম্না স্কুলদগী তান্থোকখ্রবা নুপীমচাশিং অদু মহৈ তম্বগী খুদোংচাবা ফঙহন্দ্রবা অফঘানিষ্টানগী নুপীমচা মিলিয়ন অহুস্লোমগী কাঙলূপতা চল্লগনি। হৌখিবা চহীদা লৈঙাক্কী পৱার পায়খিবদগী মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিনা চহী ১৩ নত্রগা মসিদগী হেল্লবা নত্রগা তরুকশুবা গ্রেটকী নুপীমচাশিংবু স্কুলদা চৎপা থিংখিবনি।

কন্দহারদা লৈরিবা স্কুলশিংদগী নুপীমচাশিং অদুবু তান্থোক্লিবসি টালিবানগী ৱাথোক ওইরবা অথিংবা অমবু নমদুনা চৎনহন্নবা হোৎনরকপগী শরুক অমনি। অথিংবা অদুনা অফঘানিষ্টান মনুংদা পাক্তক্লনা প্রোটেষ্ট চথহনখিবদা নত্তনা মালেম পুম্বনসু টালিবানগী ফিরেপ অদুবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌনখি। টালিবানগী ইস্লামিক সিরিয়া লোগী কা হেনবা মীৎয়েং মতুং ইন্না মথোৎ কারকপগী তাঙ্কক য়ৌরক্লবা নুপীমচাশিং নুপা মহৈরোয়শিং অমদি ওজাশিংদগী তোঙান্না লৈহনগদবনি।

ওজা নুপী ৱাৎলকপদগী মখোয়না অসিগুম্বা তাঙ্কক্কী নুপীমচাশিং অসি স্কুল কাবগী অয়াবা পীবা ঙমদে হায়না মিলিটেন্টশিং অসিনা মমাঙদা ফোঙদোকখ্রবনি। টালিবাননা অফঘানিষ্টানদা লৈঙাক্কী পৱার পায়দ্রিঙৈগী মমাঙদা নুপীমচাগী স্কুল কয়াদা অথিংবা অসি চৎনহনখ্রবনি।

টালিবানগী ওইনদি স্কুল থেংনা তম্বা হৌবা নুপীমচাশিংদসু অসিগুম্বা অথিংবা অসি কোমথোকপা লৈতে। হৌখিবা থাদা মঙাশুবা গ্রেটতা তল্লিবী মশাগী চহী ১৫ শুরবী ফৌজিয়া কৌবী নুপীমচা অমা কন্দহারগী দমান দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মহাক্কী স্কুলদগী তান্থোকখি।

নুপীমচা অসিনা ফোঙদোকখিবদা টালিননা ইন্সপেক্সন অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা মহাক্কী স্কুল খত্তদগী নুপীমচা ১০০ হেন্না তান্থোকখিবনি।

# ‘ৱেষ্ট বেঙ্কতা উংখৎনবনা মীপায়বা অমদি হঙ্গোই তুক্কৎচবগী এটমোস্ফিয়র অমা লাকহনগনি’

রামালা, ওক্তোবর ৯ (এজেন্সী):
ৱেষ্ট বেঙ্কতা উংখৎনবা হেনগৎপনা ইজরেল্লি অমসুং পলেষ্টিনিয়নগী মরক্তা কিবা, অমনা অমবু তুক্কৎচবা অমদি শাউনবগী এটমোস্ফিয়র অমা লাকহনগনি হায়না য়ুএনগী সেনিয়র ওফিসল অমনা ৱার্নিং তৌখ্রে।



থাংজ নুমিত্তা য়ুএন স্পিসল কোওর্দিনেটর ফোর ড মিদ্দল ইষ্ট পিছ প্রোসেস টোর ৱেনেসলেনা এজেন্সিদা থাখিবা প্রেস ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি নাকল অনীগী মরক্তা পোলিটিকেলগী চৎনবা য়াবা ফিভম অমগী মমি লাকহন্নবগীদমক্তা মথৌ তাবা ইনিসিএটিবশিং লৌখৎনবগী লম্বী ফাৎনবা খুদক্তা উংখৎনবা ফিভম হন্থহনবা মথৌ তাই।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা পলেষ্টিনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্ঠকী ৱারোল পল্লদুনা হায়রি, মদুদি ইরাই অমসুং থাংজ নুমিত্তা ৱেষ্ট বেঙ্ককী টাউন অমসুং ভিলেজ কয়াদা ইজরেল্লি লান্মীশিংনা নোংমৈ কাপ্পদা পলেষ্টিনিয়ন মরি শিখি অমসুং অতৈ কয়া অমা অশোক অপন নঙখি।

মিনিষ্ট্রি অসিগী মতুং ইন্না হৌখিবা জনুৱারীগী অঙনবা শরুক্তগী ইজরেল্লি লান্মীশিংনা পলেষ্টিনিয়ন ১০০ হেন্না হাৎখ্রে। হৌখিবা মার্চতগী ইজরেল্লি সিটিশিংদা পলেষ্টিনিয়নশিংনা চথখিবা এটেকশিংদা ইজরেল্লি ১৮ শিখ্রে।

ৱেষ্ট বেঙ্ক অমসুং ইষ্ট জেরুসালেমদা সেক্যুরিটিগী ফিভম শোকচিল্লক্লিবদুগা নুংনাংবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ৱেনেসলেনা ইজরেল্লি অমসুং পলেষ্টিনিয়নশিংদা ইং চিকপা ফিভম হঞ্জিনহন্নবা অমদি মখা তানা ইরাং শাগৎতনবা আপিল তৌখ্রে।

ৱেষ্ট বেঙ্ককী টাউন অমদি ভিলেজশিংদা সেক্যুরিটিগী ফিভম ইরায় লাইনা শোকহল্লিবা অদুনা গ্রাউন্দদা চথনরিবা থৌওংশিংদা থুনা অহোংবা লাকহনবা মথৌ তারে হায়বসি উৎলি হায়না হৌজিক লৈরিবা ফিভম অদুবু লাকহল্লিবা মনুংগী সেক্যুরিটি অমদি পোলিটিকেল ইস্যুশিংগা মীৎয়েং চিংশিল্লদুনা মহাক্লা ফোঙদোকখি।

ইরাই নুমিত্তা সেনিয়র পলেষ্টিনিয়ন ওফিসল অমনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা খুদক্তা মীৎয়েং চঙনবা অমদি ইজরেল্লি আর্মিবু ৱেষ্ট বেঙ্কতা পলেষ্টিনিয়নশিং হাৎপা লেপহন্নবা তকশিনখি।

পলেষ্টিনিয়ন প্রসিদেন্সিগী স্পোক্সমেন নবিন অবু রুদিনেনা য়ুএসতা খুদক্তা মীৎয়েং চঙদুনা ৱেষ্ট বেঙ্কতা নুমিৎ খুদিংগী থোক্লিবা ক্রাইমশিং লেপহন্নবা তকশিনবগা লোয়ননা অদুগুম্বা ক্রাইমশিং অদুনা মতুং তাবদা কনামত্তনা থিংবা য়াররোইদবা অরুবা ফিভম কয়া লাকহনগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# লাভরোবনা কিভ রেজিম শৌগৎপা য়ুএস অমসুং অতৈ লৈবাকশিংদা অমুক হন্না ৱার্নিং তৌখ্রে



মোস্কো, ওক্তোবর ৯ (এজেন্সী):
রসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর সর্গি লাভরোবনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং কিভকী রেজিম শৌগৎপা অতৈ লৈবাকশিংদা কনফ্লিক্ট অদুগী পার্টিশিং ওইনা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অদুদা চেন্নদনবা হায়খ্রে।

লাভরোবনা ৱাফম অসি মোস্কোদা পাঙথোকখিবা ‘য়ুনাইটেদ রসিয়া পার্টি জেনরেল কাউন্সিল কন্মিসন ওন ইন্টরনেসনেল কো ওপরেসন এন্দ সপোর্ট ফোর কম্পিট্রোইস লিভিং এব্রোদ’ কী মরিশুবা মীফমদা ৱা ঙাঙলদুনা ফোঙদোকখিবনি।

লাভরোবনা মখা তানা হায়খি, মদুদি হৌজিক চথরিবা স্পিসল মিলিটরি ওপরেসন অদুদা পেন্টাগোননা ইন্সটোল তৌখিবা লেবশিংদা পায়খৎলিবা লোনা য়াদবা মিলিটরি বাইওলোজিকেল প্রোগ্রামশিং অমদি অথিংবা থমখ্রবা কেমিকেলশিং পুথোকপগী চাংয়েংশিং য়াওনা মীপায়নিংঙাই ওইবা ফেক্ট খরা খঙবা ঙম্লকখি।

খ্বাইদগী খুদোংথীবদি জাপোরিজিয়া ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্টতা য়াম্না খুদোংথীনিংঙাই ওইবা মওংদা আর্টিল্লরি ষ্ট্রাইকশিং চথদুনা লৈরিবা অসিনি হায়না লাভরোবনা ফোঙদোকখি।

রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্টর অসিনা হায়, য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা নোংচুপলোমগী মহাক্কী হেন্দল্লরশিংদা রসিয়াগী মায়োক্তা প্রি এমটিভ ন্যুক্লিয়র ষ্ট্রাইক অমা চথনবা আপিল তৌবা লৈখ্রে। থাঙ্গৈশেংনা মসিগী কেরেক্টর অসিনা কিভকী রেজিম্না পীরিবা থ্রেট অদুগী ইভিদেন্স মালেমদা মখা তানা উৎলি। অদুগুম্বা শাথিরবা থ্রেট অদুগী ময়াই চমহন্নবগীদমক্তা স্পিসল মিলিটরি ওপরেসন অসি লোঞ্চ তৌখিবনি।

জেলেন্সকিগী সেক্রেটরিশিংনা ঐখোয়দা মহাক্লা পাল্লিবদি অতৈ পান্দমশিংনি হায়না থাজহন্নবা হোৎনরকপা খুদিংমক ঐখোয়না থাজগদবা নত্তে। য়ুক্রেননা ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং পাম্মী হায়বসি হৌখিবা ফেব্রুৱারীদা জেলেন্সকিনা ফোঙদোকখ্রবনি। মসিনা তাক্লিবদি মতম কয়াগী মমাঙদগী মহাক্লা পাক শন্না মাঙহন তাকহনবা ঙম্বা অসিগুম্বা খুৎলায়শিং পামখি হায়বসিনি।

লাভরোবনা হায়খি, মদুদি হৌখিবা মতম খরগী মমাঙদা জেলেন্সকিনা নাটোদা কমন সেক্যুরিটি স্পেসতা য়ুক্রেনগী মফম অমা পীগদবনি হায়না তকশিনবা লৈখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

# য়ুএন জেনরেল এসেমব্লিদা রসিয়াগী মায়োক্তা ভোট পীনবা য়ুএস অমসুং মীচংশিংনা পাকিষ্টানদা তকশিল্লি

ইস্লামাবাদ, ওক্তোবর ৯ (এজেন্সী):
য়ুক্রেনদা লান্দাবগীদমক রসিয়াগী মায়োক্তা মথংগী চয়োলদা য়ুনাইটেদ নেসন্স জেনরেল এসেম্লি (য়ু এন জি এ) দা পুথোক্কদৌরিবা রিজোলূসন অমবু শৌগৎলক্লবা য়ুনাইটেদ ষ্টেট অমসুং মসিগী মীচংশিংনা পাকিষ্টানদা তকশিল্লি হায়না এক্সপ্রেস ট্রিব্যুনগী রিপোর্টনা হায়রি।



রিপোর্টনা অদুনা হায়, য়ুএস অমসুং মসিগী নোংচুপলোমগী মীচংশিংনা য়ু এন জি এদা রিজোলূসন অমা পুথোক্তুনা রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দারিবা অদুবু কন্দম তৌবগা লোয়ননা য়ুক্রেনগী লমশিংদগী রসিয়ন ফোর্সশিং হন্দাক্লবা তকশিনগদৌরি।

রিজোলূসন অদুগী সপোর্ট চাওনা ফঙনবগীদমক্তা মরু ওইনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হৌখিবা মার্চতা মান্নবা রিজোলূসনগী মতাংদা ভোট লৌনবদা শরুক য়াখিদবা লৈবাকশিংগী সপোর্ট ফঙনবা হোৎনরক্লিবনি হায়না রিপোর্ট অদুদা পনখি।

মমাঙগী ভোট লৌনবা অদুদা পাকিষ্টানসু চাইনা, ইন্দিয়া অমসুং অতৈ লৈবাক খরগুম্না ভোট লৌনবা অদুদগী লাপ্পা লৈখিবনি। থৌওং অদুবু য়ুরোপিয়ন লৈবাকশিং অমসুং য়ুএসনা কন্না য়ানিংদবা উৎখি। ভোট লৌনবদা য়াওদ্রিবদু রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দারিবা অদুবু শৌগৎপদা মানৈ হায়না মখোয়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, পাকিষ্টাননা লৈবাক অসিগী ৱারেপ অদু অচুম্বা খোঙথাংনি হায়না পল্লদুনা সাইদ লৌবা তারবদি লৈবাক অসিনা কনফ্লিক্ট অদুদা পিছ ব্রোক্কর অমগী থৌদাং লৌবা পাল্লিবদু য়াররোই হায়খি।

রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দারিবা অসিগী মতাংদা পাকিষ্টাননা হৌজিক ফাওবদা চপ চাবা ফিরেপ অমা খঙহন্দনা নাকল অনীমকপু ময়েক শেংনা শৌগৎতনা লাক্লিবনি। লৈবাক অসিনা য়ুক্রেনগী হ্যুমেনিটেরিয়নগী ফিভমগী মতাংদা নুংনাংবা উৎলবসু রসিয়াবুদি চৈখিবা লৈতে। অদুম ওইনমক য়ুএস অমসুং য়ুরোপকী অতৈ লৈবাক কয়ানদি পাকিষ্টানবু ময়েক শেংবা ফিরেপ অমা লৌহনবা পাল্লি হায়না এক্সপ্রেস ট্রিব্যুনগী রিপোর্ট অদুদা পনখি।

রসিয়াগী মায়োক্তা পুথোক্কদৌরিবা রিজোলূসন অদুগী ভোট লৌনদ্রিঙৈগী মাঙওইননা নোংচুপলোমগী লৈবাক কয়ানা পাকিষ্টানবু কন্টেক্ট তৌদুনা মসিগী সপোর্ট ফংননবা হোৎনরিবনি। পাকিষ্টানগী গভর্নমেন্ট হোংলকখিবদগী পাকিষ্টান অমসুং নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংগী মরক্তা একচেঞ্জ কয়া উবা ফঙলক্লি।

প্রাইম মিনিষ্টর সেহবাস সারিফনা য়ুএন জেনরেল এসেম্লি সেসনগী নাকোয়ননা ফ্রান্স, জমর্নি, স্পেন য়াওনা য়ুরোপকী লুচিংবা কয়াগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। হৌখিবা থা খরা অসিদা পাকিষ্টান অমসুং য়ুএসকী মরক্তা মীফম কয়াসু পাঙথোকখি।

পিএম সারিফনা য়ুএস প্রসিদেন্ট জো বাইদেনগা মতম তেন্না ইন্টরেক্সন চথখিবা ওইরবসু ফোরেন মিনিষ্টর বিলাৱল ভুটো অমসুং আর্মি চীফ জেনরেল কমর জাবেদ বজৱানা ৱাশিংতনদা খোঙচৎ কয়া পাঙথোকখি।

# পাকিষ্টানদা চথরকপা ওপরেসনদা টেররিষ্ট ২ শিরে, গ্রেনেদ লংশিনবদা মীওই ৪ শোক্লে

ইস্লামাবাদ, ওক্তোবর ৯ (এজেন্সী):
পাকিষ্টানগী নোর্থ ৱেষ্টর্ন খাইবর পাক্তুনখুৱা প্রোভিন্সকী স্বাট দিষ্ট্রিক্টতা নোংমৈ কাপ্নবদা টেররিষ্ট অনী শিখ্রে অমসুং সেক্যুরিটি ফোর্সকী পর্সনেল মরি অশোক অপন নঙখ্রে।

পুলিসকী কাউন্টর টেররিজম দিপার্টমেন্টকী মতুং ইন্না লো এনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংনা থাংজ নুমিত্তা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী ইনগারো দেরাই এরিয়াদা ইন্টলিজেন্সতা য়ুম্ফম ওইবা ওপরেসন অমা চথখি।

নাকল অনী নোংমৈ কাপ্নবদা অথিংবা থমখ্রবা মিলিটেন্ট আউটফিট অমগী মেম্বর অনী শিখি অমদি আর্মি ওফিসার অমা য়াওনা সেক্যুরিটি ফোর্সকী পর্সনেল মরি ফিভম লুনা শোকখি। লো এনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংনা টেররিষ্টশিংদগী নোংমৈশিং অমদি য়াল্লবা নোংমৈ মরুশিং ফাগৎখি। পুলিসনা হায়রি, মদুদি টেররিষ্টশিং অদু অফঘানিষ্টানগী মিলিটেন্ট ওর্গনাইজেসন অমগা কন্টেক্ট তৌনহনখি। শিখিবশিংদুগী মনুংদা অমদি হন্দক্তা আই ই দি শিংগী ট্রেনিংগীদমক মফম অদুদা চৎলুরবনি।

অমরোমদা, থাংজ নুমিৎকী অহিংদা বেলোচিষ্টানগী ক্বেটাদা লৈবা সারিয়দ লোর্দকী সেক্যুরিটি চেক পোষ্ট অমদা গ্রেনেদ লংশিনবগী থৌদোক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই মরি অশোক অপন নঙখ্রে।

পুলিসকী মতুং ইন্না গ্রেনেদ লংশিনবা অদুদা মীওই অনী ফিভম লুনা শোকখি অমসুং মখোয় হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। মশক খঙদবা মোটোর সাইকল তোংবশিংনা লংশিনখিবা গ্রেনেদ অদু লম্বীগী নাকলদা তাখিবগা লোয়ননা ব্লাষ্ট অদুদা খোঙনা চৎপা মীওই মরি অশোক অপন নঙখি। পুলিস অমসুং এফসি পর্সনেলশিং মফম অদুদা চঙশিনখি। অশোকপশিং অদু সিভিল হোস্পিটালদা পুখৎখি। হোস্পিটাল অদুগী ডা. ৱাসিম বাইক্কী মতুং ইন্না অশোক মীওই মরি ক্রোমা সেন্টরদা পুরকখি। সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা কোর্দন তৌবগা লোয়ননা থী হুম্বগী ওপরেসন অমা চথখি, সস্পেক্ট খরা ফারগা ইন্টেরোগেসন তৌখি।

# আয়রলেন্দদা পেট্রোল ষ্টেসনদা পোকখায়বদা মীওই তরা শিরে

দব্লিন, ওক্তোবর ৯ (এজেন্সী):
আয়রলেন্দগী দোনেগলদা লৈবা পেট্রোল ষ্টেসন অমদা পোকখায়বগী থৌদোক অমা থোকখিবগা লোয়ননা প্রাইমারি স্কুল তল্লিবী নুপীমচা অমা য়াওনা মীওই তরা শিখ্রে হায়না আইরিস পুলিসনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

পুলিসনা ভিক্তিম পুম্নমক ব্লাষ্ট অদুনা চাওনা শোকহল্লিবা এপ্পল গ্রিন পেট্রোল ষ্টেসন লৈরিবা ক্রিসলোব এরিয়াদগীনি হায়বসি কনফার্ম তৌখি। ইরাই নুমিত্তা পেট্রোল ষ্টেসন অদুগা লোয়ননা কনভিনিয়ন্স ষ্টোরদা থোকখিবা পোকখায়বগী থৌদোক অদুনা অকোয়বদা লৈরিবা বিল্ডিংশিং অমসুং কারশিং য়াওনা পাক শন্না অমাঙ অতা থোকহনখি হায়না মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

পোকখায়বগী থৌদোক অদু রিপব্লিক ওফ আয়রলেন্দগী অৱাং নোংচুপ থংবা চিদাইগা নক্লবা ক্রিসলোবকী মফম অমদা লৈবা এপ্পল গ্রিন পেট্রোল ষ্টেসনদা নুংথিল পুং ৩ গী মতুংদা ইকান কান্নদনা থোকখিবনি।

থী হুম্বা অমদি মী কনবগী থবকশিং লেপ্তুনা চথুরি। তৌইগুম্বসুং পুলিসনা মীশি মীনাগী মশিং হেনগৎলক্কনি হায়নদি পাদে।

পোকখায়বগী থৌদোক অদুগী মরম হৌজিক ফাওবা খঙবা ঙমদ্রি অমদি থী হুম্বগী থবক অকায় অতোই মরক্তা চথরিবা ওইবনা পুলিসনা ইনক্বারি অমা চথবগী ৱাফম লাউথোরকপা লৈত্রি হায়রি।

# রসিয়ানা ‘জেনরেল অর্মাগেদন’ বু য়ুক্রেনদা লৈরিবা ফোর্সশিং লুচিংনবা খনখ্রে

মোস্কো, ওক্তোবর ৯ (এজেন্সী):
মরু ওইবা খোঙথাং অমদা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা ‘জেনরেল অর্মাগেদন’ হায়নসু খঙনবা আর্মি জেনরেল সর্গি সুরোবিকিনবু রসিয়ন ফোর্সশিংগী ওভরওল কম্মান্দর হাপখ্রে।

য়ুক্রেনদা রসিয়ন আর্মদ ফোর্সেস মফম কয়াদা মায়থীবা নঙলে হায়বা রিপোর্টশিংগী মরক্তা জেনরেল সুরোবিকিনবু রসিয়ন ফোর্সশিংগী কম্মান্দর হাপখিবনি।

ৱাফম অসি থাংজ নুমিত্তা রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা লাউথোকখি। মসিগী মমাঙদা আর্মি জেনরেল সর্গি সুরোবিকিন্না য়ুক্রেন অমসুং দোনবাসতা লৈরিবা রসিয়ন ট্রুপশিংগী খা থংবা গ্রুপ্পিং লুচিংখি। জেনরেল সর্গি সুরোবিকিন অসি মিলিটরি ওপরেসনশিংদা হার্ট লাইন অমদি মহৌশাগা মান্নদবা থৌদৌশিং চথবগীদমক্তা মহাক্কী কোলিগশিংনা ‘জেনরেল অর্মাগেদন’ হায়নসু কৌখি।

মিনিষ্ট্রি অসিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, রসিয়ন ফেদরেসনগী মিনিষ্টর ওফ দিফেন্সকী ৱারেপ্না আর্মি জেনরেল সর্গি সুরোবিকিনবু স্পিসল মিলিটরি ওপরেসনগী মফমদা লৈরিবা ফোর্সশিংগী অপুনবা গ্রুপ্পিং অদুগী কম্মান্দর হাপ্লে। ভেটরান জেনরেল অসি কুমজা ২০১৭ দগী রসিয়ন এরোস্পেস ফোর্সেসকী কম্মান্দরগী পোজিসন কায়রকখি। চহীদুমক্তদা মহাকপু সিরিয়াদা চথখিবা মিলিটরি ওপরেসনদা মহাক্লা লৌখিবা থৌদাং অদুগীদমক্তা হিরো ওফ রসিয়াগী টাইটল পীখি। মদুগী মমাঙদা মহাক চেসনিয়াগী লানদসু শরুক য়াখি।